# অলফা (আই) না ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী ৩ ফাখি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী অহুম ফাখিবগী ৱাথোক্তা অথিংবা থমক্রবা উলফা (আই) চেন্নৈ হায়বসি শগোলশেন নুমিত্তা অসাম পুলিসনা কনফার্ম তৌখ্রে।

যুমশকৈশা নুমিত্তগী হোষ্টেজ শিং থিবগী ওপরেসন য়েংশিল্লকখিবা সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টকী লাকুৱাদা কেম্প তৌরকখিবা স্পেসল দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস, লো এন্দ ওর্দর, জি পি সিংহনা হায়, উলফা (আই) গী মিলিটেন্টশিংনা ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী অহুম অদু কিদনেপ তৌখিবনি। হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি। ইমপ্লোয়ীশিং ফাখিবদুগা মরী লৈননা মীওই তরেৎলোম দিটেন তৌরি। মখোয় হৌজিক ৱাহং পাউহং চত্থরি।

যুমশকৈশাগী অঙনবদা সিবসাগরদগী ফাখিবা ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী অহুম অদু ফংনবা হোৎনবগী ওপরেসন লেপ্তুনা চত্থরি। সিবসাগর পুলিসকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, উলফা (আই) গী মিলিটেন্টশিং অদু ইমপ্লোয়ীশিংদুগা লোয়ননা নাগালেন্দগী অৱাংথংবা মোন দিষ্ট্রিক্ট ফাওরগা ম্যান্মারদা চৎখিবা য়াই। ইন্দিয়া ম্যান্মার বোর্দর ঙাক শেল্লিবা অসাম রাইফলসতা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। উলফা (আই) মিলিটেন্টশিংনা ফাখিবা ইমপ্লোয়ী অহুম অদুদি সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টতগী জুনিয়র টেক্নিসিয়ন প্রদক্সন মোহিনি মোহন গোগোই, জোরহাট দিষ্ট্রিক্টতগী এসিষ্টেন্ট জুনিয়র এঞ্জিন্নিয়র, প্রদক্সন অলোকেস সাইকিয়া অমসুং জোরহাট দিষ্ট্রিক্টতগী এসিষ্টেন্ট জুনিয়র এঞ্জিন্নিয়র প্রদক্সন রিতুল সাইকিয়ানি।



জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেন্স দি মর্দর ওফ নিংথৌজম বেবীসনা চনুনা শীন্দুনা বেবীসনা মীশিগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকউ হায়দুনা থাংমৈবন্দ মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবী বেবীসনাগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবা জে এ সীগী মীহুৎশিং

# সিক্কিমদা নোংমদা কোভিদ কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎখ্রে

গেংটোক, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): হিমালয়ান ষ্টেট সিক্কিমদা শগোলশেন নুমিত্তা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোংমগী মনুংদা কোরোনা ভাইরস কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎখ্রে। শগোলশেন নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ১২৪ দিটেক্ত তৌখি। মসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা নোংমগী মনুংদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা কোভিদ কেস মশীংনি। অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ১২৪ দুগী মনুংদা কেস ১০৭ ইষ্ট সিক্কিম দিষ্ট্রিক্টতগী রিপোর্ট তৌরকখি।

অমরোমদা নোর্থ সিক্কিম অমসুং সাউথ সিক্কিম দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথংশিংনা পোজিটিভ কেস ১৪ অমসুং অহুম রেজিষ্টর তৌখি। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা সিক্কিমগী এক্তিভ কোভিদ-১৯ কেস মশীং হৌজিক পুন্না ৬৪০ শুরে। অনৌবা কেসশিং অসি সেম্পল ৬৫৩ টেষ্ট তৌবদা থেংনবনি।

চৈরকসিদা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কোরোনা ভাইরস কেসলোদ ৬,৯৭০ শুরে। মশাদা হান্নদগী অতোপ্পা লায়না চেনবা মশাগী চহী ৪৩ শুরবী নুপী অমা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। নুপী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা সিক্কিমদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশীং ১৩৭ শুরে। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পুন্না সেম্পল ৮৯,২১১ কোভিদ ইনফেক্সন খঙদোক্নবগীদমক টেষ্ট তৌখি। সিক্কিমদা কোরোনা ভাইরস কেস ৱাংখৎলক্লিবসি য়েংদুনা ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর প্রেম সিংহ গোলেনা ষ্টেট অসিগী স্কুলশিং এপ্রিল ৩০ ফাওবা থিংজিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হান্নদি স্কুলশিং এপ্রিল ২০ ফাওবা থিংগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

# নাগালেন্দদা কোভিদ ভেক্সিন হঙ্গোইনবা হন্থরক্লে



দিমাপুর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): লৈবাক্কী অতৈ মফমগুম্না নাগালেন্দদসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী অনীশুবা ৱেভ য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা ভেক্সিন সপ্লাই হেনগৎনবা ষ্টেট অসিগী মীওই সেক্সন কয়ানা ষ্টেট হেল্থ ওথোরিটিশিংদা প্রেসর পীবা হেনগৎলক্লি।

ষ্টেট হেল্থ ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, হৌরকপা মতমসিদা মীয়ামগী ৱাখলদা ভেক্সিন হঙ্গোইনরম্বদু হৌজিক্তি খরমখৈ হন্থখ্রে। হেল্থ সেক্তরশিংদা ভেক্সিনগীদমক্তা ভেক্সিন কাপ্পবা হোৎনবা মী মশীং হেনগৎলক্লে। অমরোমদা সেন্তরনা চহী ১৮ মথক্কী মীওই খুদিংমক মে ১ দগী ভেক্সিন কাপ্পা য়ারগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংসিদা ষ্টেট অসিদা অহেনবা দোজশিং মথৌ তারক্লে।

নাগালেন্দ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, এপ্রিল ২২ ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ ৬৩,০০০ লৈখি। চয়োল অহুমগী মমাঙদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্তরদা ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ৩ পীবিরক্নবা হায়জখি। মদুগী মতুংদা রিমাইন্দরসু মখা তানা তকশিনখ্রে।

দিমাপুর, টুয়েনসাং, ৱোখা অমসুং মোনদা ভেক্সিন কোন্নদবগী পাউ লাক্লি। চৈরকসিদা ভেক্সিন সপ্লাইগী মতাংদা পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংদা হেন্না মিৎয়েং চঙলগনি হায়না সেন্তরনা লাউথোকপা লৈখ্রে।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দেটা মতুং ইন্না, এপ্রিল ২২ ফাওবদা নাগালেন্দদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ১,৪৭,১১৫ কাপখ্রে। ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসরনা ফোঙদোরকপদা এপ্রিল ২১ ফাওবদা নাগালেন্দদা ভেক্সিন দোজ ১,৭০,২৫৯ কাপখ্রে। অকোনবগী দেটা অসিদা ওফলাইন ভেক্সিন রেজিষ্ট্রেসনশিংসু য়াওই।

নাগালেন্দগী মীওই ১,৩৫,০৪৩ অহানবা দোজশিং কাপ্লে অমসুং মীওই ৩৫,২১৬ না অনীশুবা দোজশিং কাপ্লে। চহীগী মতাংদা ভেক্সিন কাপখিবশিংগী মনুংদা মীওই ৩৯,৬৩৭ না চহী ৪৫-৫৯ গী লেংগাশিংনি অমসুং মীওই ৩৯,৬২৯ না চহী ৬০ অমসুং মথক্কীনি। ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ৬৭,৯২৮ অমসুং হেল্থ ক্যের ৱার্কর ২৩,০৬৫ সু ভেক্সিন কাপ্লে।

# জেল ইনমেটশিং ভেক্সিন কাপ্পগী ৱাফমগা মরী লৈননা কোর্টনা সু মোটো পি আই এল লৌখৎখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী): অসামগী তোঙানা তোঙানবা জেলশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিং ভেক্সিন কাপ্পগী ৱাফমগা মরী লৈনবা সু মোটো পি আই এল অমা গৌহাটি হায় কোর্টনা রেজিষ্টর তৌখ্রে।




গৌহাটি হায় কোর্টনা সু মোটে পি আই এল অদু নন প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা প্রতিধ্ৱানিনা ফাইল তৌখিবা এপ্লিকেসন অমদা য়ুম্ফম ওইরগা রেজিষ্টর তৌখিবনি। প্রতিধ্ৱানিগী ভোলন্টিয়রশিংনা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেন্ট্রেল জেলশিংদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা সিলচর জেলগী ইনমেটশিং নত্তনা অতৈ জেলশিংগী ইনমেটশিংদি ভেক্সিন কাপ্লমখিদে। জেলশিংদা উরকখিবা ফীভমশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রতিধ্ৱানিনা এপ্লিকেসন অদু ফাইল তৌখিবনি।

জেল ইনমেটশিং ভেক্সিন কাপ্পগী প্রোসেস অপদেট তৌদুনা চয়োল অহুমগী মনুংদা এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরক্নবা গৌহাটি হায় কোর্টনা অসাম গভর্ণমেন্টনা দিরেক্সন পীখি।

কোর্টকী ওর্দর অদুনা হায়, চয়োল অহুমগী মতুংদা লিষ্ট তৌগদবনি। চৈরকসিদা লার্নেদ এদিস্নেল সিনিয়র গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি সী চুতিয়ানা এফিদেভিটতা পাউখুম অমা ফাইল তৌরক্কদবনি। হন্দক্তা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সেন্ট্রেল জেলশিংদা প্রতিধ্ৱানিনা ইনক্বাইরি চৎখিবদা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চত্থরবসু অমসুং অসামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট জেলশিংদা থবক তৌরিবা জেল ওথোরিটিশিং অমসুং ওফিসলশিং ভেক্সিন কাপখ্রবসু শুপ্পগী সেন্ট্রেল জেল সিলচরগী নত্তনা জেল ইনমেটশিং হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপ্পা লৈত্রি হায়না প্রতিধ্ৱানিগী এপ্লিকেসন অদুদা পনখি।

অমরোমদা অসামদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শগোলশেন নুমিত্তা মী ১৩ ইনৌনৌনা শিখ্রে। শিখিবা মীওই ১০ দুগী মনুংদা মীওই ৩ কামরূপ মেট্রো এরিয়াদগীনি, মীওই অনীনা কার্বি অংলোংদগীনি অমসুং বার্পেতা, দিব্রুগর, করিমগঞ্জ, সোনিটপুর অমসুং টিনসুকিয়াদগী মীওই অমমমনি। ভিক্তিম ১০ অসি থারগা অসামদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশীং পুন্না ১১৬০ শুখ্রে। শগোলশেন নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১৯৩১ থেংনখি। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিগী এক্তিভ কেস মশীং ১০,০০০ হেল্লে।

## EMPLOYMENT NEWS

UP Police SI Recruitment 2021: Uttar Pradesh Police Recruitment and Promotion Board (UPPRB / UPPBPB) Lucknow has published recruitment notification for the post of Sub Inspector for filling up total 9534 vacancies. The online registration process will be start from 1st April 2021 to 30th April 2021.

Name of Post
Total Vacancies
Sub Inspector (SI)
9027
Platoon Commander PAC / SI Armed Police (Male)
484
Fire Service Second Officer (Male)
23
Age Limit:
21 to 28 years as 1st July 2021.
Born on or after 01/07/1993 and on or before 01/07/2000.
Age Relaxation as per Uttar Pradesh Government Rules.
Pay Scale: ? 9300 – 34800 + Grade Pay ? 4200/-
Educational Qualifications:
Bachelor's Degree in any discipline from a recognized university / Institute.
Selection Process:
Examination (Online Mode)
Physical Standard Test (PST) / Physical Efficiency Test (PET)
Final List
Medical Examination
UP Police SI Exam Pattern:
General Hindi - 100 Marks
GK/ Constitution/ Mool Vidhi - 100 Marks
Numerical and Mental Ability - 100 Marks
Mental Aptitude Test/ Logical Exam - 100 Marks
Application Fee:
400/- only..
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ uppbpb.gov.in. Apply online from 1st April 2021 to 30th April 2021.


BHEL Supervisor Trainee Finance Recruitment 2021: Bharat Heavy Electricals Limited (BHEL) offers a challenging and rewarding career to young and dynamic Bachelor in Commerce (B. Com) Graduates. The online registration process will be open from 5th April to 26th April 2021.

Name of the Post
Total Vacancies
Supervisor Trainee (Finance)
40
Unit wise Vacancies:
Corporate Office - 13
Power Sector - 10
Industry Sector - 01
BAP, Ranipet - 03
FSIP, Jagdishpur - 01
CFP, Rudrapur - 02
CFFP, Haridwar - 01
HEEP, Haridwar - 03
HPVP, Vizag - 01
HERP, Varanasi - 02
EDN, Bangalore - 01
SBD, Bangalore - 01
TP, Jhansi – 01
Upper Age Limit: 27 Years as on 01/04/2021. Candidates born before 01.04.1994 are not eligible to apply.
Pay Scale: During training period, basic pay of ? 32,000/- in the scale of pay of ? 32,000-1,00,000/- will be paid.
Educational Qualifications:
Full time regular Bachelor's degree in Commerce from recognized Indian University/ Institute.
Minimum 70% marks or Equivalent CGPA in aggregate of all years/ semesters (Minimum 60% marks for SC/ST candidates on similar lines.)
Selection Process:
Stage I: Computer Based Examination
Stage II: Group Discussions
Application Fee:
300/- for UR (General) / EWS / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PWD / Ex-Servicemen.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ BHEL Careers portal from 5th April 2021. The last fate for submission of online applications is 26/04/2021 up to 11:45 PM.

Directorate General Border Security Force (BSF) invites applications from eligible candidates for recruitment vacancies of Group A, B & C combatised posts in Mi Fleet in BSF Air Wing on contract basis. The advertisement is open up to 31st December 2021.

Name of Post
No of Vacancies
Capt / Pilot (DIG)
02
Comdt (Pilot)
06
SAM (Inspr)
05
JAM (SI)
11
AAM (ASI)
16
Senior Flight Gunner (Inspr)
05
Junior Flight Engineer (SI)
04
Junior Flight Gunner (SI)
04
Place of Posting: Guwahati, Ranchi, Srinagar, as well as any other location to be decided by Competent Authority.
Pay Scales:
Capt / Pilot (DIG): ? 3.25 to 3.5 Lakhs per month
Comdt (Pilot): ? 2.8 to 3.4 Lakhs per month
SAM (Inspr): ? 1,40,000/- per month
JAM (SI): ? 1,30,000/- per month
AAM (ASI): ? 1,20,000/- per month
Senior Flight Gunner (Inspr): ? 1.55 to 1.65 Lakhs per month
Junior Flight Engineer (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
Junior Flight Gunner (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
How to Apply: The advertisement is open up to 31st December 2021 subject to availability of vacancies as per the requirement. Eligible candidates may apply and applications against there contractual vacancies will be accepted till 31st December 2021. Completed application along with requisite enclosures should reach to "DIG (Pers), FHQ BSF, Pers Dte, CGO Complex, Block 10, Lodhi Road, New Delhi - 110003".

## CROSSWORD-3761



**ACROSS**

1 Meat-eaters (10)
7 Marine mammal (8)
8 Melody (4)
9 Be acquainted with (4)
10 Eight-sided figure (7)
12 English county (11)
14 Elongate (7)
16 Encounter (4)
19 Profound (4)
20 Friendly (8)
21 Great painters of the past (3,7)

**DOWN**

1 Speak huskily (5)
2 Rebuke (7)
3 Part of the eye (4)
4 Cloudy (8)
5 Additional (5)
6 Nap (6)
11 Announce (8)
12 One who attends to horses (6)
13 Repeat (7)
15 Eject (5)
17 Stories (5)
18 Cans (4)

**Solution 3760**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ■ | H | U | S | H | H | U | S | H | ■ | B | U | S |
| E | ■ | P | ■ | O | ■ | N | ■ | A | ■ | E | ■ | T |
| V | E | R | G | E | ■ | T | U | M | B | L | E | R |
| E | ■ | I | ■ | ■ | ■ | I | ■ | P | ■ | L | ■ | E |
| N | E | G | A | T | E | D | ■ | S | H | E | E | N |
| I | ■ | H | ■ | H | ■ | Y | ■ | H | ■ | ■ | ■ | G |
| N | U | T | M | E | G | ■ | L | I | M | P | E | T |
| G | ■ | ■ | ■ | R | ■ | D | ■ | R | ■ | L | ■ | H |
| D | R | I | V | E | ■ | A | V | E | R | A | G | E |
| R | ■ | D | ■ | F | ■ | N | ■ | ■ | ■ | T | ■ | N |
| E | R | E | L | O | N | G | ■ | A | L | O | N | E |
| S | ■ | A | ■ | R | ■ | L | ■ | S | ■ | O | ■ | D |
| S | O | L | ■ | E | V | E | N | S | O | N | G | ■ |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3560**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | | 5 | | | 3 | | 7 |
| 3 | | | | | 6 | 8 | | |
| | | | | 8 | 3 | 5 | | |
| 4 | | | | 6 | | | 1 | 3 |
| | | | | | | | | |
| 6 | 1 | | | 9 | | | | 2 |
| | | 8 | 9 | 1 | | | | |
| | | 4 | 6 | | | | | 9 |
| 1 | | 6 | | | 2 | | 4 | 5 |

**Solution-3559**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | 5 | 3 | 1 | 8 | 7 | 4 | 2 |
| 4 | 2 | 3 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 5 |
| 8 | 1 | 7 | 5 | 4 | 2 | 3 | 9 | 6 |
| 5 | 4 | 6 | 7 | 3 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 3 | 9 | 2 | 1 | 8 | 6 | 5 | 7 | 4 |
| 1 | 7 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 6 | 3 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 8 | 7 | 3 | 4 | 2 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 5 | 1 | 6 | 3 | 7 |

